## ৬শুবা ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন এম পি ভর্মা য়ুনিটি কপ ২০১৭

# মণিপুরনা বিহার মাইথিবা পিখ্রে



মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রবা মণিপুর টিমগী কাঙবম প্রিয়োজিট

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ ঃ*

ক্রিকেট এসোসিয়েসন বিহার (সি এম বি)না শিন দুনা তিম ১৩না শুরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা বিহার রাজবনসিনগরদা লৈবা ইলেক্ট্রিসিটি বোর্দ ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌখিবা ৬শুবা ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন এম পি ভর্ম য়ুনিটি কপ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা মণিপুরনা বিহারবু রন ১১৮দা মাইথিবা পিখ্রে। মেটচ অদুদা মণিপুরগী প্রিয়োজিৎনা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী তোচ বিহারনা মায় পাক্তুনা ফিল্ডিং হান্না খনখি। মদুদা অপীবা ওভর ৪০ দা মণিপুরগী ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৫৬ স্কোর তৌখি।

মদুগী পাউখুম ওইনা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা বিহারনা ওভর ৪০ গী মনুংদা ওভর ১৯.১ দা ওল আউত ওইদুনা রন ১৩৭ খক্তমক স্কোর তৌবা ঙম্বদগী মায়থিহৌখিবনি।

অহানবা ইন্নিংসকী বেট্টিং তৌখিবা মণিপুরগী নরশিংনা রন ৬, মিনতুনা ৮২, পিয়োজিৎনা ৭৪, অক্সেনা ১৭, সুলতান্না ৩, কেনেদিনা ১, হোমেন্দ্রোনা ২১, ৱিল্লিয়াম্না ১৮ অমদি রজেস পাটেলনা ১ চেনবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা বিহারগী ইমামনা ওভর ৮ দা ৱিকেট ৩, সসাংনা ওভর ৮ দা ৱিকেট ৩ অমদি প্রবাটনা ওভর ৮ দা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী বেট্টিং তৌখিবা বিহারগী রকেসনা রন ৫, লখন্না ১, অদার্জনা ৮, নিরসনা ১১, কমরন্না ১০, সশাংনা ১৩, মুসরকনা ২, প্রবাটনা ৭, জেফরনা ৩৭ অমদি অসিরনা ৩ চেনবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা মণিপুরগী কেনেদিনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ৩, সুলতান্না ওভর ৬ তা ৱিকেট ১ অমদি প্রিয়োজিৎনা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

হয়েং গ্রাউন্দ অসিমক্তদা মণিপুরগী অনীশুবা মেটচ ওইনা উটরখন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

## কোলকাতা নাইট রাইদর্সনা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখ্রে







গুজরাট লাইন্সপু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কেপ্টেন গমভির

*রাজকোট,এপ্রিল ৬ঃ*

ইন্দিয়ানা প্রিমিয়র লীগ সিজন–১০ গী ঙসি রাজকোট সহরদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা য়ুম্বু ওইখিবা গুজরাট লাইওন্সপু কোলকাতা নাইট রাইদর্সনা ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী তোচ কোলকাতা নাইট রাইদর্সকী কেপ্টেন গৌতম গমভিরনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। গুজরাট লাইওন্সনা মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা পুন্না ওভর ২০ শান্নবদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৮৩ লৌখি।

টিম অদুগী মাইকৈদগী কেপ্টেন সুরেস রাইননা আউত ওইদনা বোল ৫১ দা রন ৬৮ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা ফোর ৭ য়ৈরমখি।

টিম অদুগী ৱিকেট কিপর দিনেস করটিক্না ৫শুবা বেটচমেন ওইনা শান্নবা চঙলকপদা য়াম্না অথুবা মওংদা বোল ২৫ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৪৭ লৌখি।

টিম অদুগী ওপন্নর ন্যু জিলেন্দ মচা ব্রেন্দন মেকলম্মা বোল ২৪ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৫ লৌখিবা অদু শিংথাবা য়াবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

মহাক্কা জেনস রোইননা ইন্নিংস হৌদোরকপদা রোই রন ১৪ দা আউত ওইদুনা সুরেস রাইনা চঙলকখিবনি। মেকলম আউত ওইখ্রবা মতুং অরোন ফিলস অমদি রাইনানা রন ৯২ শুহল্লকখি। অদু ফিন্স বোল ৮ দা রন ১৫ লৌরম্লগা আউত ওইখিবদগী দিনেস করটিক শান্নবা চঙলকখিবনি।

রাইনা অমসুং করটিক্না মরিশুবা ৱিকেট পাটনরসিপকীদমক রন ৮৭ হাপচিন্দুনা স্কোর ১৭৯ য়ৌহনখি। করটিক আউত ওইখিবদগী মখা তাবা রন ৪ লৌরগা গুজরাট লাইওন্সকী ইন্নিংস অদু রন ১৮৩ দা লোইশিনখি।

কোলকাতা নাইট রাইদর্সকী বোল্লরশিংগী মনুংদা কুলদিব জাদব্না খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মহাক্না ওভর ৪ লংবদা রন ২৫ খক পীরগা ৱিকেট অনী লৌখি।

অতোপ্পা বোল্লর অনী ত্রেন্ট বোল্ট অমসুং পিয়ুস চৌলানা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্নবা কোলকাতা নাইট রাইদর্সনা রন ১৮৪ কী তারগেট অদু ওভর ১৬ শুরকপদা টিম অদুগী মাইকৈদগী বেটচমেন অমত্তা আউত ওইদনা লৌদুনা ১০রক শুবা ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ১০ দা গুজরাট লাইওন্সপু মায়থিবা পীখি।

ওপন্নর ওইখিবা গৌতম গমভির অমসুং খৃস লিন্না ৫শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা মায় পাকপগী রন অদু লৌবা ঙমখিবনি।

গমভির বোল ৪৮ দা ফোর ১২গী মতেংনা রন ৭৬ লৌখি অদুগা লিন্না বোল ৪১ দা সিক্স ৮ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৯৩ লৌখি।

## নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট গ্রাসরুট ফাইনেলগী ত্রাইয়েলগীদমক শান্নরোই ১৫ খনখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ ঃ*

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা গুহারাটিদা লৈবা সরুসুজাই ষ্টেদিয়মদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট গ্রাসরুট ফাইনেল ত্রাইয়েলগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েল য়াওবা টিম অমা খল্লে হায়না টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি, তৌবুং খোক্কী জেনরেল সেক্রেটরী টি ঐচ দিলিপ কুমার সিংহ না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি

খনগৎলবা শান্নরোই ১৫ মমিং নাকলদা পীরি।

| Sl. No. | Name | Date of birth | Chest No. |
|---|---|---|---|
| 1. | Gogocha Chungkham | 02-11-2005 | 712 |
| 2. | Laishram Alex Singh | 01-02-2006 | 963 |
| 3. | Wahengbam Jenash Singh | 15-11-2006 | 914 |
| 4. | Haobam Bikash Khuman | 07-12-2006 | 824 |
| 5. | Thokchom Hitler Singh | 03-01-2006 | 439 |
| 6. | Soraisom Monison Singh | 10-05-2006 | 425 |
| 7. | Thangmilun Toothang | 05-05-2006 | 818 |
| 8. | Laishram Rahul Meitei | 04-02-2006 | 815 |
| 9. | Rohit | 05-01-2005 | 403 |
| 10. | Khwairakpa Ribando | 22-07-2005 | 994 |
| 11. | Thoudam Krishna Singh | 07-10-2005 | 966 |
| 12. | Oinam Premchand Singh | 28-11-2005 | 554 |
| 13. | Laishram Dollar Singh | 24-10-2005 | 778 |
| 14. | Paokhotinchon Haokip | 26-07-2005 | 406 |
| 15. | Yahenba | 22-01-2005 | 981 |



মণিপুরনা বিহারবু রন ১১৮দা মাইথিবা পিখ্রবা মণিপুর টিমগী শান্নরোইশিং

## ১৬ শুবা গভর্নর ত্রোফি কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭

### নুপামচাগী চহি ১০ মখাদা ঐচ সঙ্করনা অদুগা নুপীমচাগী চহি ১৪ মখাদা এন চরমিনা টাইটল লৌখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ ঃ*

থা অসিগী ৬ তগী ওফিসারস ক্লব লম্ফেলদা চথরক্লিবা ১৬শুবা গভর্নর ত্রোফি কেস প্রাইজ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী চহি ১০ গী কাংলুপ্তা ঐচ সঙ্করনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা নুপীমচাগী চহি ১৪ গী কেতেগোরিদনা এন চরমিনা টাইটল লৌখ্রে।

নুপামচাগী চহি ১০ মখাগী ফাইনেলদা ঙসি ঐচ সঙ্করগা এস অশ্বাজিৎকা লম্বা তৌনখি। মদুদা ঐচ সঙ্করনা অহানবা সেট অদু অশ্বাজিৎকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেটতসু সঙ্করগী মশান্না অদুদা অশ্বাজিৎনা পাউখুম পীবা ঙমখিদবদগী সেট অদুসু অশ্বাজিৎকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা কাংলুপ অদুগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ঙসি মখাতানা টুর্নামেন্ট অসিগী চহি ১৪ মখাগী নুপীমচাগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস চরমি অমসুং ৱাই অগুনা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদু চরমিগী মাইকৈদগী ফজবা সোট কয়ানা মপুং ওইদুনা অগুগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইখি।



চেম্পিয়ন সঙ্কর



চেম্পিয়ন চরমি

অনীশুবা সেটতসু অগুগী সর্ভিস গেম অনী চরমিনা অমুক ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইরগা নুপীমচাগী চহি ১৪ মখাগী টাইটল অদু লৌখিবনি।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসার্স ক্লবতা চথরিবা ১৬শুবা গর্ভনর্স কপ কেস প্রাইজ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী চহি ১২ মখাগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা এস বিকিনা এস অশ্বাজিৎপু ৭–৬ (৭–৪), ৬–২ দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল ঐচ বুসন্না নিরজপু ৬–১, ৬–৭, ১০–৩ দা থোইদুনা কাংলুপ অসিগী ফাইনেলদা হয়েং বিকিগা থেংনগদৌরিবনি।

চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ঐচ বুসন্না এস বিকিবু ৬–১, ৬–১ দা থোইরগা ফাইনেল চঙখি। মহাক্না ফাইনেলদা এ মহেসপু ৭–৫, ৬–০ দা থোইরম্বা রহুল পামৈগা শান্নরগনি।

## বি জে পি স্পোর্টস সেলনা তরম্না ওখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৭ ঃ*

বি জে পি স্পোর্টস সেল, মণিপুর প্রদেসকী কনভেনর ওইরিবা ৱাই নন্দো লুৱাংনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা মিটিং অমদা হান্দক মার্চ ২১ দগী ২৫ ফাওবা হায়দরবাদ টেলঙ্গানাদা পাঙথোকখিবা নেসনেল মাষ্টর স্পোর্ট মিটতা বি জে পি স্পোর্টস সেল গী কোচ–কনভেনর ওইরিবী ঐচ ইন্দুবালা দেবী, থাইরোইজম মমাং লৈকায়না জেব্লিন থ্রো অমসুং সোট পুট ইন্দিবিজ্যুল দা গোল্ড মেডল অমদি ব্রোঞ্জ মেডল লৌরকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না বে জি পি, মণিপুর প্রদেসকী ষ্টেট কনভেনর, স্পোর্টস সেলগী ৱাই নন্দো লুৱাংনা থোদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*